# এন আর এ আইনা অঞ্জুম মোদগিলবু খেল রত্না এৱার্দ অমসুং জসপাল রানাবুনা দ্রোনাচার্যাগীদমক নোমিনেট তৌখ্রে




ন্যু দিল্লি, মে ১৪ (এজেন্সী):
চহী অসিগী শান্নবগী খ্বায়দগী থাক ৱাংবা মনা ওইরিবা রাজিব গান্ধী খেল রত্না এৱার্দকীদমক নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মোদগিলবু নোমিনেট তৌখ্রে। লোয়ননা দ্রোনাচার্যা এৱার্দকী ওইনা মমাংদা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা শুটর অমা ওইরম্বা জসপাল রানাগী মমিং নোমিনেট তৌখি।

ইন্দিয়া লৈবাক্কী ওইনা চহী খুদিংগী তোঙান-তোঙানবা শান্নবগী দিসিপ্লিন্দা খ্বায়দগী ফজবা শান্নরোয়শিংদা পীবা অজ্জুনা এৱার্দকী মথক্তা অপুনবা শান্নরোয়শিংগী ওইনা খ্বায়দগী থাক ৱাংবা মনা ওইরিবা রাজিব গান্ধি খেল রত্না এৱার্দকীদমক নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা নহা ওইরিবা নুপী শুটর অঞ্জুম মোদগিলগী নোমিনেট তৌখ্রবা মতুং দ্রোনাচার্যা এৱার্দকীদমক জপাল রানাগী মমিং নোমিনেট তৌখি।

নীংশিংবা য়াই, জসপাল রানাগী মমিং দ্রোনার্চার্যা এৱার্দকীদমক নোমিনেট তৌবা অসি হন্দক্কী অসিগা থারবা অনীরকশুবানি। নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা অর্জুনা এৱার্দকীদমক পিষ্টল শুটর সৌরব চৌধরি অমসুং অভিসেক ভর্ম্মাগী মমিং নোমিনেট তৌখি।

কুমজা ২০০৮দা শুটিং দিসিপ্লিন অসিদা খৌংদারকখিবা অঞ্জুম মোদগিলনা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ২৪দগী ওগষ্ট ৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি তৌরম্বদগী চহী অমা য়ৈথোক্লগা কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৩দগী হৌরগা ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না মতম নৌনা লেপখিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ওইনা ক্বালিফাই ওইবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনীগী মনুংদা অমা ওইরিবনি।

মশাগী চহী ২৬তা ঙাইরিবা অঞ্জুম মোদগিলনা মশাগী করিয়রগী ওইনা কুমজা ২০১৮দা কোরিয়াদা পাঙথোকখিবা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড তপ্তা মিটর ১০গী এয়র রাইফলদা ইভেন্টতা সিলভর মেদল ফংদুনা ওলিম্পিক্কীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি।

হৌখিবা চহীদা মহাক্না ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শুটর গিবিয়ান্স সিংহ পনৱারগা পেয়র ওইদুনা জর্মনিগী ম্যুনিক সিটি অমসুং চাইনাগী কোনুং বৈজিংদা পাঙথোকপা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপ শুটিংদা মিক্স টিমগী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী সিটি ভোপালদা হৌখিবা চহীদা পাঙথোকখিবা ৬৩শুবা নেসনল শুটিং চেম্পিয়নশিফতা নুপীগী মিটর ৫০গী থ্রি পোজিসন কম্পিটিসন্দা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। রাজিব গান্ধি খেল রত্না এৱাদ অসিদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লাক্ষ ৭.৫ য়াওবগা লোয়ননা সার্টিফিকেট অমসুং মেদল য়াওরি।

মশাগী চহী ৪৩শুরবা জসপাল রানানা হৌখিবা চহীদা দ্রোনাচার্যা এৱার্দকীদমক মমিং নোমিমেট তৌখ্রবা মতুং খল্লক্তবদা অচৌবা ৱাথোক অমা লাকখি। চৎলিবা চহী অসিগীসু জসপাল রানাবু অমুক্কা হন্না এন আর এ আইনা মনা অসিগীগমক নোমিনেট তৌখিবনি।

# চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপকী মতম য়ৈথোকখিবনা শান্নরোয়শিংগী শেম-শাবদা অপনবা লৈরোইঃ প্রফুল পটেল




ন্যু দিল্লি, মে ১৪ (এজেন্সী):
চহী অসিগী নভেম্বর থাদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপ অদু মালেম শিনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইদুনা মথং চহীগী ফেব্রুৱারী থাদা য়ৈথোকখিবা অসিনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা শেম-শাবদা অপনবা পীরোই হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেলনা ফোংদোকখ্রে।

চহী ১৭মখাগী ফিফা ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদু ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা কুমজা অসিগী নভেম্বর ২দগী হৌরগা ২১ ফাওবা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা শান্নফম মঙাদা পাঙথোক্লনবা শিল্লম্বনি। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা শান্নবা খক নত্তনা হীরম খুদিংমক্তা অথিংবা থমদুনা লোকদাউন লৈরকপনা থা অহুম য়ৈথোক্লগা কুমজা ২০২১গী ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোক্লনবা নৌনা মতম লেপখিবনি। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেনস অমসুং ফিফাগী ওফিসলশিংগা কুপ্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা ৱর্ল্ড কপ অদু কুমজা ২০২১গী ফেব্রুৱারী ১৭তগী হৌরগা মার্চ ৭ ফাওবা পাঙথোক্লবা অনৌবা মতম অমা লেপ্লখিবনি।

ঙরাং ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী একজিক্যুটিব মেম্বরশিংগী ওনলাইনদা পাঙথোকপা মীফম অমদা প্রফুল পাটেলনা ফোংদোকখিবদা ৱর্ল্ড কপ অসি য়ৈথোকপগী মতম অদু শুপ্পগী থা অহুমখক ওইবা মরম্না শান্নরোয়শিংনা হান্না চথুরম্বা ট্রেনিং অদুদা অকায়বা য়াওদনা অদুম্মক শেমশাবা য়াগনি হায়খি।

ইভেন্ট অসি মায়পাক্না পাঙথোক্লবা ওর্গনাইজেসনগী মায়কৈদগী অমদি শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগীসু হান্না লৈখিবা ফিভম অদুদগী অহোংবা লৈতনা শেমশারি হায়খি।

পটেলনা মখাতানা ফোংদোকখিবদা মহাক্না ফিফা অমসুং এসিয়ন ফুটবোল ফেদরেসনগী ওফিসলশিংগা য়াম্না তোয়না ৱারী শান্নদুনা ফুটবোল মশান্না অসি করম্বা মতমদগী পাঙথোকপা য়াগদগে হায়বা অদুগী মতাংদা পাউ ফাওদোকনৈ হায়খি।

ঙরাং ফমখিবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী একজিক্যুটিব মীফম অদুনসু কুমজা ২০২০-২০২১ সিজনগী ওইনা আই-লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মীরমদগী লাকপা শান্নরোয় ৩ (এসিয়াগী অমা)য়াওনা শান্নবা য়াহনবদা ৱারে লৌনখি। মদুতসু নত্তনা ইন্দিয়ন সুপর লিগ অমসুং আই-লিগকী মায়কৈদগী ইন্দিয়ন ৱুমেন্স লিগতা শরুক য়াননবা টিম অমা শেগৎনবসু য়ান্নখি।

ইন্দিয়াদা খ্বায়দগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইন্দিয়ন সুপর লিগনা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী গাইদলাইনগী মতুং ইন্না মেচ ২৭ শান্ননবসু শিনগনি। মদুনা লিগ অদুগী মকোক থোংবা টিম অদুনা এসিয়াগী খ্বায়দগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা এ এফ সি চেম্পিয়ন্স লিগতা শরুক য়াবা য়াগদৌরিবনি।

এ আই এফ এফ (ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন)কী একজিক্যুটিব মীফম অদুনা লৈবাক অসিগী হান্না ফুটবোল শান্নরম্বা মমিং লৈরবা শান্নরোয়শিংনা লৈখিবদা অদুবু ইকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা মিনট অমা তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোংদোকখি।

# লোকদাউনগী মতুংদা বোর্দ ওফ কন্ত্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়ানা শান্নরোয়শিং ট্রেনিং চথনবা লম্বেল শেম্লগনি



মুম্বাই, মে ১৪ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী ক্রিকেট বোর্দ ওইরিবা বি সী সী আই (বোর্দ ওফ কন্ত্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া)না লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা থল্লিবা লোকদাউন অসি লোইশিল্লবা মতুং শান্নরোয়শিংনা ট্রেনিং চথবদা অপনবা লৈতনবা লম্বেল শেমগদৌরি।

থা অসিগী ২৮দা ইন্টর্নেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী বোর্দ মেম্বরশিংনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা থা অমা মখায় হেন্না লেপ্তুনা লাক্লবা ক্রিকেট মশান্নগী ইভেন্টশিং হৌবা য়ানবা লম্বেল শেমগদৌরিবা অসিদা য়ান্নবা অমা পুরক্কদৌরি হায়রি।

হায়রিবা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা পাঙথোক্কদৌরিবা বোর্দকী মীফম অদুদা আই সী সীগী মখাদা লৈরিবা মেম্বর পুম্নমক্না শরুক য়াদুনা মখা তানা মেম্বরশিং অদুগী শান্নরোয়শিংনা করম্না ট্রেনিং চথগদগে। লোয়ননা টুর্নামেন্টশিং পাঙথোকপা হৌগদগে হায়বগী মতাংদা ফোঙদোক্কদৌরি।

শান্নরোয়শিংনা শান্নবা ফংদবতা নত্তনা মশান্না অসিগী লাক্লম্বা ইনকম পুম্নমকসু লেপখিদুনা মালেমগী ক্রিকেট শান্নবা লৈবাকশিংগী বোর্দশিং অদুসু শেলগী অৱাবা মায়োক্লরিবনি। বি সী সী আইগী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরকখিবদা আই সী সীগী বোর্দ মেম্বরশিংগী ওইবা ভিদিও কনফরেন্সিংগী মীফম অদুনা করি রাই তারক্কদগে হায়বগী মতাংদা তম্বা ঙমদ্রবসু পুম্নমক্কী অফবা অমদি অৱাৎপা লৈহৌরিবশিং অদু ফুগৎননবা লম্বেলদি শোইদনা পুথোক্লরক্কদবা মাল্লি হায়খি।

ইন্দিয়াগী ওইনা বি সী সী আইগী প্রসিদেন্ট মমাঙদা কেপ্টেনসু ওইরম্লবা শৌরব গঙ্গুলিনা আই সী সীগী বোর্দ মেম্বরশিংগী মীফম অদুদা শরুক য়াগদৌরি। মীফম অদুনা তোঙান-তোঙানবা হিরম কয়াদা খন্ন-নৈনগদৌরি।

লোকদাউনননা মরম ওইরগা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা চহী অসিগী লোইশিল্লকপদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরিবা আই সী সী টি-২০ ৱর্ল্ড কপ অদুসু পাঙথোকপা য়াগদ্রা নত্রগা য়ারোইদ্রা হায়বগী অককুবা ৱাফম ফোঙদোকপা ঙম্নদ্রি।

মীফম অদুগী ৱারেপকী মতাংদা হৌজিক্তগী হৌনা কম্মেদ পীবা চুপ্লোই। অপুনবা ৱারেপ অমনা ক্রিকেট মশান্নগী ওইবা অফবা লম্বেল অমা শুংশোই শোইদনা পুথোরক্কনি হায়না মকোক থোংবা ক্রিকেট বোর্দকী ওফিসার অদুনা ফোঙদোরকখি।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মরিশুবা ফেজগী ওইবা লোকদাউন মে ১৮দগী হৌবা য়ানা লৈরি। অদুবু মমাঙদা থমখিবা অথিংবশিং অদুদগীদি হিরম খরদা কোমথোরকপা য়াবগী থাজবা লৈরি। কোমথোরকপশিং অসি লৈরবদি ইন্দিয়াগী সিনিয়র ক্রিকেট টিমনা ফিল্ডদা থোক্তুনা ট্রেনিং চথবা য়ারগনি হায়নসু থাজবা থল্লি।

বি সী সী আইগী ট্রেজরর অরুন ধুমলনা ফোঙদোকখিবদা হিরম খরদা কোমথোকপা শোইদনা লাক্কনি হায়না থাজরি। মসিগীদমক্তা কোচ অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংগী মরক্তা পাউ ফাউনদুনা শান্নরোয়শিংদা পীবা য়াবা মতেং পীদুনা লাক্লি।

কোচ রবি সাষ্ট্রি, বিক্রম রাথোর, ভারত অরুন, আর শ্বিধর অমসুং নিক ৱেবনা ওনলাইনগী খুথাংদা শান্নরোয়শিংবু কুপ্না য়েংশিল্লি। হন্দক্তা হোক্কি ইন্দিয়ানা মখোয়গী শান্নরোয়শিংনা ট্রেনিং চথদ্রিঙৈ মাংওইননা অরোগ্যা সেটু এপ শীজিন্ননবা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

# বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা ইন্টর্নেসনল বোক্সিং এসোসিএসনগী অতোনবা শেল খরা পীথোক্কদৌরি

BOXING FEDERATION OF INDIA

ন্যু দিল্লি, মে ১৪ (এজেন্সী):
ইন্টর্নেসনল বোক্সিং এসোসিএননা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াদা অতোনবা শেনফমশিং শীংদোক্ত্রবদি সস্পেন্সন থম্লগনি হায়না ফোঙদোরকপদগী থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা অতোনবা শেনফমশিং অদুগী মনুংদা য়ু এস দোল্লর ১২০,০০০ পীথোক্লগনি।


কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্কদবা নুপাগী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদু ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইবা য়ারম্বা অদু য়ু এস দোল্লর ৪০০,০০০গী য়ুম্বু ওইবগী ফি অদু পীথোক্তবদগী খুদোংচাবা মাংজখি। ইন্টর্নেসনল বোক্সিং এসোসিএসননা য়ুম্বু ওইবগী ফী অদু ইন্দিয়ানা পীথোরক্তবদগী পেনাল্টি ওইনা য়ু এস দোল্লর ৫০০,০০০ পীননবা খঙহল্লকখি।

মসিদসু নত্তনা কুমজা ২০১৮দা ইন্দিয়ানা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ন্যু দিল্লিদা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা অদুগী মপুং ফাবা ফীসু পীখিদবনি। বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা মার্চ, এপ্রিল, মে থাগী ওইনা য়ু এস দোল্লরর ১২০,০০০গী শেনফম অদু মে ২০ ফাওবগী মনুংদা পীথোক্লগনি হায়রি।

পাউগী ছোর্স অসিনা মখা তারদুনা থা ৩গী ইনষ্টোলমেন অসি পীথোক্লবা মতুং ইন্টর্নেসনল বোক্সিং এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী বোক্সিং ফেদরেসনদা অথিংবা থম্লম্বা অদু লৌথোক্লবা য়াই হায়রি। এসোসিএসন অদুগী প্রসিদেন্ট মহমদ মুষ্টা সানেনা ২০২১ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অদু য়ুম্বু ওইবগী ফী পীরক্তবা মরম্না সর্ভিয়ানা য়ুম্বু ওইগদৌরিবনি।

# ৱর্ল্ড চেছ চেম্পিয়ন নোরৱেগী মেগনস কার্লসননা লোকদাউন মনুংদা মিল্লিয়ন দোল্লর ১ লৈগদবা ওনলাইন চেছ টুর পাঙথোক্লগনি

ন্যু দিল্লি, মে ১৪ (এজেন্সী):
মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইদুনা লৈবাক শীনবা থুংনা লোকদাউন লৈরিঙৈ মনুংদা নোরৱেগী ৱর্ল্ড চেছ চেম্পিয়ন ওইরিবা মেগনস কার্লসননা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১ লৈগদবা ওনলাইন চেছ টুর অমা পাঙথোক্লগনি।




হন্দক্তা থা অসিগী অহুমদা লোইশিনখিবা য়ু এস দোল্লর ২৫০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা মেগনস কার্লসন ইনভাইটেস্নেল ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট মায় পাক্না পাঙথোকপা লোইখ্রবা মতুং মখা তাবা টুর্নামেন্ট ৪ চেছ টুরগী মনুং চন্না পাঙথোক্কদৌরি।

নৌনা হাপচিল্লক্লিবা ওনলাইন টুর্নামেন্টশিং অদুদি মে ১৯দগী জুন ৩ ফাওবা লিন্দোর্স এবি রেপিদ চেছ চেলেঞ্জ, জুন ২০দগী জুলাই ৫ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ওনলাইন চেছ মার্ষ্টস, জুলাই ২১দগী ওগষ্ট ৫ ফাওবা পাঙথোক্কদবা লিজেন্স ওফ চেছ অমদি ওগষ্ট ৯দগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্কদবা টুর ফাইনেলনি।

অহৌবা টুর্নামেন্টতা মকোক থোংবা শান্নরোয় ৪না থংনবা টুর্নামেন্টকীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি। মেচ ১৯দগী হৌগদৌরিবা লিন্দোর্স এবি রেপিদ চেছ চেলেঞ্জ অদুগীদমক টুর অসিবু হৌদোক্লিবা নোরৱেগী মেগনস কার্লসন মশামক য়াওগনি। য়ু এস এগী হিকারু নকামুরা, চাইনাগী দিং লিরেন অমসুং ইরানগী অলি রিজা ফিরোজা য়াওরি। মখোয়দা নত্তনা অতোপ্পা নৌনা শরুক য়াগদবা শান্নরোয় ৮ অদুদি, য়ু এসকী ৱেসলি সো, রসিয়াগী অলেকজেন্দর গ্রিচুক, লৈবাক অদুমক্কী সর্গে কর্জাকিন, অর্মেনিয়াগী লেবোন অরোনিয়ন, চাইনাগী য়ু য়াঙ্গি অমসুং ৱৈগি লোয়ননা নেদর্লেন্দসকী জান ক্রিজিস অমসুং রসিয়াগী দানিল দুবোভনি।

# কাংলুপ পীক্না খাইদোক্তুনা ট্রেনিং চথহন্ননবা ইন্দিয়াগী হোক্কি শান্নরোয়শিংনা য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টরদা হায়খ্রে




ন্যু দিল্লি, মে ১৪ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা লৈবাক অসিদা লোকদাউন থমখ্রবা মতুং শান্নবগী হিরম খুদিংমক লেপ্তুনা লাক্লি। অদুবু লোকদাউন অসি কোমথোরকপা মতমদা ইন্দিয়াগী হোক্কি শান্নরোয়শিংনা মখা তানা ট্রেনিং চথুনবগী মওং অদু কাংলুপ পীক্না-পীক্না শেমদুনা য়াহন্ননবা লৈবাক অসিগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরে রিজিজুদা ফোঙদোকখ্রে।

লোকদাউন অসিনা মরম ওইরগা শান্নবগী তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনগী শান্নরোয়শিং মশা মশাগী ময়ুমদা নত্রগা কাদা মশা ফিট ওইননবা হোৎনদুনা লাক্লি। মখোয়না ফিল্ডদা থোক্তুনা ট্রেনিং চথুবগী অয়াবা ফংদনা লৈরি। থা অমা মখায় হেন্না ট্রেনিং ফংদনা লাক্লবা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী হোক্কি শান্নরোয়শিংনা স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুদা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাংলোন ঙাক্না শান্নরোয়শিং অদুনা ফিল্ডদা অমুক্তদা ট্রেনিং চথবগী মহুৎতা কাংলুপ পীক্নি পীক্না শেমদুনা এট্রোট্রফকী হোক্কি ফিল্ডদা ট্রেনিং চথবা পাম্বগী ৱাফমশিং ফোঙদোরকপনি।

পনবা য়াবদি, য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ঙসি অথেংবদা ওনলাইনগী খুথাংদা তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংগী শান্নরোয়শিংগা ৱারী শান্নদুনা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা খন্নগদৌরি। মমাঙদা মিনিষ্টর অসিগী মায়কৈদগী কোচশিং অমদি ওফিসলশিং য়াওনা শান্নরোয়শিংগসু ওনলাইনদা সেসন কয়া অমা পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

নুপাগী হোক্কি শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী অমনা ফোঙদোরকপদা হন্দক মালেম শিনবা থুংনা থেংনরিবা কোভিদ-১৯গী অৱাবসি অসুম্না থোক্লক্কনি হায়বা থাজরুদে। বেঙ্গালুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরদগী ফিল্ডদা থোকপা য়াদনা মশা মশাগী কাদুনা পন্দুনা লৈরবসু মশা ফিট ওইনবা পায়খৎপা য়াবা সাজেলশিং চথবা য়াবগী খুদোংচাবদি অদুমক ফংই হায়খি।

মাস্ক উপ্তুনা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাংলোনশিং নীংথিনা ইন্দুনা বেঙ্গালুরুদা লৈবা হোক্কি ফিল্ড অদু য়াম্না চাওবা মরম্না শান্নরোয়শিংনা ট্রেনর অমা য়াওরগা মীওই ৫না শাবা গ্রুপ নত্রগা মশা মথন্তা ট্রেনিং চথবা য়াবগী অপাম্বদু ফোঙদোরকপনি।

অতোপ্পা নুপী হোক্কি শান্নরোয় অমনসু ফোঙদোরকখিবদা টোকিও ওলিম্পিক গেমস চহী অমা য়ৈথোকখিবনা ট্রেনিং মখা তানা চথবগী খুদোংচাবা অদু লোকদাউননা মরম ওইরগা ফিল্ডগী ট্রেনিংদি ফংবা ঙমদ্রি। মরম অদুনা নুপা শান্নরোয় অদুনা ফোঙদোকখিবা মফম অদুদা অয়াবা থমখিবগা লোয়ননা ফিল্ডদা শান্নরোয় অমগা বোল মুন্নবা নত্রগা তান্নমিন্নবগী মতাং অদু য়াওদনা গ্রুপ খাইদোক্তুনা ট্রেনিং চথবগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক্কী ওইনা বেঙ্গালুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টর অদুগী জিমনাসিয়মদা মীওই অনীনা শাবা কাংলুপ খাইদোক্তুনা মশা ফিট ওইনবগী থবকশিংদি লেপ্তুনা চথুরি হায়খি। লৈঙাক্না হৌখিবা মার্চ ২৫দগী লোকদাউন থম্বা হৌরকখিবা অদু তাঙ্কক অহুল্লক শুবা ওইনা থা অসিগী ১৭ ফাওবা তৌগদৌরি। লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা লোকদাউনগী অনৌবা কাংলোনা লাক্তুনা ফিল্ডদা থোক্তুনা প্রেক্টিস চথবা য়াবগী তাঞ্জা লাকপা য়াই হায়না ফোঙদোরক্লি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com